# কোভিদতগী ঙাকথোক্নবা মীয়াম্না য়ূমদগী মপান থোকপিগনু, মীয়াম পুনশিনবিগনুঃ সি এম

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ (এস এন এস) ঃ
মালেমগী ওইনা হকশেলগী অচৌবা শিংনবা অমা ওইরিবা কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) শন্দোরকপা থিংনবা খ্বাইদগী ফবা খোঙথাংদি মীয়াম্না য়ূম য়ূমদগী মপান থোক্তনা লৈবিবা অমদি মীয়াম পুল্লপ পুল্লপ পুনশিন্দুনা লৈশিনবিগনু হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা আপীল তৌরি।

চীফ মিনিষ্টরনা মীয়ামদা পীবা আপীল অমদা হায়, ষ্টেট অসিদা নুপীমচা অমদা অহানবা পোজিটিভ কেস থেংনবনা মরম ওইরগা মীয়ামগী পূরক্নিদা চিংনবা পাখৎপা ফাওবা লৈরি।

দোক্টরশিংনা অনাবা অমা লায়েংবা মতমদা লায়না অদু করিনো হায়বদু খঙদোক্লবা মতুংদা হিদাক থারগা লায়েংবা হৌরিবনি। ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী মরক্তা খঙনা খঙনা খঙশিন্নদবা য়াদবগী মমি চাউনা তারি।

লৈঙাক অসিনা কোরোনা ভাইরসতগী ঙাকথোক্নবা পাম্বৈ অসি য়ূম য়ূমদা লৈবা অসিনি। লৈঙাক্লা জনুৱারি ১৮ দগী হৌদুনা য়াম্না মাঙজিল থানা চেকশিন থৌরাংশিং এয়ারপোর্ট, মাও, জিরিবাম, সিনজোল, মোরেনচিংবা মফমশিংদা চেকপোষ্টশিং হাংদোক্তুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখিবনি।

মীয়াম পুনবীদবা, য়ূম য়ূমদগী মপান থোক্তবা অসিনা খ্বাইদগী ফবা হিদাক্নি হায়না খঙনরবনি। ঙরাং লৈঙাক্লা লোকদাউন তৌরে হায়রবা ফাওবদা লম্বীদা পংথোক্তা থোক্লকপদগী মদু থিংনবা কর্ফ্যু অসি লাওথোকপনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, কর্ফ্যু লাওথোক্লবা ফাওবদা লম্বীদা থোরক্তুনা য়েংবা, শঙ্গোয়দা মাঙ্গোলদা পুল্লপ পুনশিল্লগা চাকচা হৈজানবা, জ্বার শান্নবনচিংবা অসি তৌবিগনু হায়না আপীল তৌখি। মী মরি মঙা শুনা পুনবীগনু হায়খি। য়ামদ্রবদা ফিট ৩ লাপ্পা লৈবিয়ু হায়বনি।

লৈঙাক্লা লাওরিবা অসি ফুরুপ অসিবু অমদি মীয়াম্বু কন্নবগীদমক্তনি। মীয়ামগী অৱাবা কোন্নবা নফসাগী কার্দ পায়বা মীওইশিং অমদি সি এম ঐচ টিগী কার্দ পায়বা মীওইশিংদা চেঙ পীনবা থবক লৌখৎলবনি। ভাইরস অসিনা নারে হায়না ইকাইফম থোক্তে। মসি ফত্তবা লিচৎ নৎত্রগা অরানবা লমচৎ চৎলুবগী নত্তে।

ভাইরস অসিনা শোকহনবা মতমদা ঐ অমনা ইকাইবনা মীয়াম লোইনা শোকহগদৌরিবনি হায়খি। ভাইরস অসিনা শোকহনবগী চিংনবা লৈরবা ফাওবদা ঐনা লোৎশিনলগা থম্না হায়বসি মীয়াম্বু শিংনবনি। চিংনবা লৈরবদি ইশা ইশানা ভোলুন্টরি ওইনা টেষ্ট তৌথোক্লবা হোৎনবীয়ু। ইশানা য়ানা ক্বারেন্টিন তৌবিয়ু। য়ূমদা লোৎলগা লৈবিগনু হায়খি।

মীয়াম্না পুন্না ৰাখল মান্ননা থেংনরবা মতমদা ভাইরস অসি থেংনবা ঙমগনি হায়খি। লৈঙাক্লা চেকশিন থৌরাং ওইনা কর্ফ্যু মতম খরা থমখিগনি। মপান লমদগী লাকপা ইচিল ইনাউশিংনা ইশানা ক্বারেন্টিন তৌবগা লোয়ননা টেষ্ট তৌথোকপীয়ু। মীয়ামগী পুন্সি কনমিন্নসি।

লৈকাইদা দুকান্দগী মীওই অমা অনীনা থোক্লগা পোৎ চৈ লৈবদা অকায়বা লৈতে তৌবতবু মী য়াম্না পুনশিল্লগা লৈশিনবদি তৌবিগনু হায়খি। ভাইরস অসিদগী ঙাকথোক্নবা পীরিবা চৎনা কাঙলোনশিং অসি ঙাক্না চৎপা মতমদা মীয়ামগী পুন্সি কনবা ঙমগনি হায়খি।

## দ্রগ সেম্পলশিং মাঙখিবা লৈতে

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ (এস এন এস) ঃ
ঙসি ইম্ফালদা ফোঙবা মরু ওইবা পাউচেশিংদা এ দি সি চান্দেলগী চেয়ারমেন চেন্নবা দ্রগকী কেস অদুগী সেম্পল খরা মফম খঙদনা মাঙহনে-খ্র হায়না ফোঙখিবা অদু অশোয়বা অরানবা য়াওরে। সেম্পলশিং মাঙ-খবা লৈতে টেষ্ট তৌবদা লেমহৌবা সেম্পলগী শরুক খরা মাঙবনি হায়না মণিপুর পুলিসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তানা পল্লিবদি, এ দি সি চান্দেলগী চেয়ারমেন য়াওনা চেন্নবা দ্রগ ফাবগী কেস অদুগা মরী লৈননা হৌখিবা কুমজা ২০১৮ গী ওক্টোবর ১৬ তা এন দি এন্দ পি এস কোর্টতা চার্জশিৎ থাঙ্গৎলবা মতুংদা ফাগৎখ্রবা য়াম্লবা দ্রগশিং অদু কন্সর্ন কোর্টকী কষ্টদিদা লেঙদনা লৈরি। ফাগৎলবা দ্রগশিং অদুগী সেম্পল খরা ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি পাঙ্গৈদা থাখি। সেম্পলশিং অদু এক্সপার্টকী ওপিনিয়নগা লোয়ননা এন এ বি, পি এসকী মালখানাদা থমখিবনি। শুপ্পগী টেষ্ট তৌননবা থাখিবা সেম্পলশিং অদু টেষ্ট তৌবদা লেমহৌবা শরুক অদুমক মাঙখিবনি। দ্রগ মাঙখিবা অদুগা মরী লৈননা ইনক্বাইরি রিপোর্ট কোর্টতা থা অসিগী ২৩ দা পীখৎখ্রে।

লোয়ননা করিগুম্বা মখা তানা ফাগৎলবা দ্রগশিং অদুগী টেষ্ট তৌবগী মথৌ তারবসু কোর্টকী অয়াবগা লোয়ননা ফাগৎতুনা লৈরবা দ্রগশিং অদুদগী সেম্পল খরা থাবা অদুমক য়াই। হৌজিক ফাওবগী ওইনা হায়রিবা ফাগৎলবা দ্রগশিং অমদি দ্রগকী সেম্পলশিং অদুমক তেক্ত কায়দনা মপূং ফানা লৈরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা হায়রি।

# মাঙজৌননা ক্বারেন্টিন তৌদনা থল্লল্লিবা অসি অঙকপা ফাওই: এম পি টি সি সি

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ (এস এন এস) ঃ
য়ু কেদা মহৈ তমদুনা লৈজরুবী নুপীমচা অমা কোভিদ-১৯ কনফার্ম ওইরে তাবদা নুঙাইতবা ফাওই। ইয়রপোর্ট কয়া ফাওরগা লাকখিবা অসিবু লৈঙাক্লা মতম চানা ক্বারেন্টিন তৌবিদনা থল্লম্বা অসি লৈঙাক্কী থৌশাদবগী খুদমনি হায়না মণিপুর প্রদেশ ট্রিনামুল কোংগ্রেস কম্মিটিনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর প্রদেশ ট্রিনামুল কোংগ্রেস কম্মিটিগী কনভেনর ডা টিঐচ ইনাওচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবা থাংমৈবন্দগী মফম অমদগী কানফার্ম ওইরিবা মীওই অসিনা মাঙজৌননা মীওই কয়া পুল্লুবা লৈরল্লবদি ষ্টেট অসিদা মখা তানা পাক শন্না শন্দোরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। কোভিদ-১৯ দগী ঙাকথোক্নবা লৈঙাক্না মখল কয়াগী ওর্দর থোক্তুনা হোৎনরবসু লোবু ঙাকশেল্লিবা কয়ানা গ্রাসরুট য়ৌহনবা ঙমদবগী মমি চাউনা তাই। লৈঙাক্না কুপ্না থিজিনবা চঙই। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ কনফার্ম ওইরিবা অসিনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা অহানবা ওইবা ষ্টেট ওইরে। মসিনা তাক্লিবদি লৈঙাক্লা লৌরিবা থৌদাং অসি অহোবা লৈরে তাকপনি। মতম চানা থবক পায়খৎহৌদবনা মীয়ামদা হেন্না অৱাবা পীরে।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মীয়াম্না নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়াগী অৱাবা চৈথেং থেংনরিবসি কোকহন্নবা অখননবা থৌরাং পায়খৎহন্নিংই। নোংমগী চারা তাল্লগা চারিবা শিন্মীশিংগী অখননবা থৌরাং পায়খৎপীয়ু। পোৎ চৈগী মমল নীংথিনা কন্ট্রোল তৌবিয়ু। চান-থরুবা ঈশিং ফঙহন্নবা থৌশিল পায়খৎপীয়ু। পোৎলম অমা মীয়ামদা ফঙহন্নবা হোৎনবদা কাঙলোন চুম্না ক্যু লেপহল্লবসু লাপ্না লাপ্না লেপহন্দুনা য়েংবিয়ু।

হৌজিক ষ্টেট অসিগী মায়ওন কাদোমদনা খঙদ্রবা মতম অসিদা ষ্টেট লৈঙাক অসিনা কোভিদ-১৯ থেংননবা বদজেটতা শেনফম কয়া হাপ্পিরবগে। দিভলপমেন্ট তৌবদগী মীওইবা খুন্নাইগী পুন্সি কনবদা মরু ওইবা তানফম লাক্লবনি। মরম অদুনা এম এল এ, মিনিষ্টর, এম পিশিংগী চহী অমমম অমমমগী লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দ চীফ মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দদা হাপ্পীয়ু। লোয়ননা অৱাংবা পোষ্টশিংদা লৈরিবা ওফিসরশিংনসু থা অমমম অমমমগী তলব সি এমগী রিলিফ ফন্দদা হাপ্পীয়ু হায়না পার্টি অসিনা অপিল তৌরক্লি।

# কোভিদ-১৯ গী য়েংলগা প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াশিং লেপ্তনা ফোঙনবা চীফ সেক্রেটরীশিংদা খঙহল্লকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ (এস এন এস) ঃ
ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট, ষ্টেটশিং অমদি য়ুনিয়ন টেরোরিটোরিশিংনা কোভিদ-১৯ শন্দোকপা থিংনবা অকনবা থবক পায়খৎলিঙৈসিদা প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াগী থবকশিং লেপ্পা লৈতনা ফোঙহন্নবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী চীফ সেক্রেটরীশিংদা খঙহল্লকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিগী দাইরেক্টর গোপাল সধৱানিনা খূৎয়েক পীদুনা চীফ সেক্রেটরীশিংদা ইবা চেরোল অমনা হায়রি, অসিগুম্বা তানফম অসিদা টি ভি চেনেলশিং, ন্যুজ এজেন্সিশিং, টেলিপোর্ট ওপরেটরশিং, দিজিটেল সেটিলাই ন্যুজ গেদরিংশিং, দাইরেক্ট টু হোমশিং, হায় এন্দ ইন স্কাই, মলটি সিষ্টেম ওপরেটরশিং, কেবল ওপরেটরশিং, ফিক্যুয়েন্সি মোদুলেসন রেদিওশিং অমদি কম্যুনিটি রেদিও ষ্টেসনশিংনা মতম চানা অশেংবা পাউ শন্দোকপা য়াম্নমক তঙাইফদে।

অসিগুম্বা তানফম অসিদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা লৌখৎকন্দবা থবকশিংগী মনুংদা পাউ চে অমদি মেগাজিনশিং নম্বা অমদি য়েম্লোকপগী থবক, টি ভি চেনেলশিং অদুগা মখোয়দা শৌগৎপা টেলিপোর্টনচিংবা সার্ভিসশিং মথৌ তৌহনবা, এফ এম, সি আর এম নেটৱার্কশিং মথৌ তৌহনবা, কেবল ওপরেটরশিং থবক লেপহন্দবা লোয়ননা ন্যুজ এজেন্সিশিং থবক লেপহন্দবা য়াওরি।

মথক্তা পল্লিবা সার্ভিসশিং অসি লেপ্তনা চত্থনবগীদমক্তা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা মেদিয়াশিং মথৌ তৌবদা পাঙবা য়াবা মতেং পাংনবা, মেদিয়া সার্ভিসশিংগী এক্রিদিটেটেক ষ্টাফশিং অথিংবা লৈতনা চৎহনবা মেদিয়া পার্সনশিং পুরিবা গারীশিং থাউনচিংবগী খুদোংচাবা ফঙহনবা লোয়ননা লেপ্পা লৈতনা ইলেক্ট্রিক সপ্লাই ফঙহন্নবা অমদি অতৈ লোজিষ্টিক পূন্নমক্কী খুদোংচাবা ফঙহনবা ৱাফমসু ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্ট্রিগী দাইরেক্টরগী চেরোল অদুদা পল্লি।

# ককচিংদসু লোকদাউনগী মমিং নিংথিনা তাখি

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ (এস এন এস) ঃ
কোভিদ-১৯ দগী লৈঙাক অসিনা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না ঙরাংদগী লাওথোকখিবা মণিপুর পূম্বগী লোকদাউনগী মমি ককচিং দিষ্ট্রিক্তসু চাওনা তাখি।

হয়েং অসি মৈতৈশিংগী চহী হৌবগী কুম্মৈ চৈরাওবা লৈবনা মমাঙগী চহীশিংদা কৈথেলদা মীনা চিক্না চাইনবা ঙমদনা তিল্লম্বা অদু হন্দক্কী ওইনদি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা কৈথেলশিং থোঙ লোনবগী মথক্তা লৈরক লৈরক্তা লৈবা দুকানশিং ফাওবা থোঙ লোনখি। অথিংবা থুগাইদুনা লাকপা মীওইশিংসু পুলিসনা মফম কয়াদা থৎতুনা চৎহনখিদে।

লোকেল ইলেক্তেদ বোদিশিংগী মায়কৈদগীসু পব্লিসিটি চৎতুনা মীয়াম য়ূমদগী মপাল থোক্তনা লৈনবা অমদি লায়না অসিগী মরমদা মীয়ামদা এৱার্নেস পীখি। হেল্থ কিয়ার ৱার্করশিং মহৌশাগুম্না মথৌ তৌদুনা মপাল লমদগী লাকপা মীওইশিং স্ক্রিনিং তৌখি। লোয়ননা লৈকাই লৈকাইগী ক্লবশিংনসু খুলগী মচিন মচিন্দা লম্বী শঙ্গল খাদুনা খুলদা মীতোপ চঙবা থিংবগী অকনবা থবক লৌখৎখি।

নাকল অমরোমদা ককচিং দিষ্ট্রিক্তকী ওইনা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিদগী লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংগী মতাংদা পাউচে অসিগা দিষ্ট্রিক্ট সরভিলেন্স ওফিসার ডা. এলাংবম কিরনগা উন্নবদা মহাক্না হায়, হৌজিক ফাওবগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা ইন্দিয়াগী ৱাংমদা চৎলুবা মীওই ১৩ অমদি ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা লৈরুবা মীওই ২০০ রোমসু মশা মশাগী ময়ূমদা হোম ক্বারেন্টিন তৌদুনা লৈনা অসিদগী ঙাকথোক্লবা অকনবা থবক কয়া লৌখৎলি। লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট রিপিট টাস্ক ফোর্সকী টিম ৮ নসু পুং ২৪ চুপ্পা মথৌ তৌদুনা লৈরি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## অরাম্বম ওংবী মেমচৌবীদা পীরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ (এস এন এস) ঃ
সাহিত্য থৌপাং লূপ (সাথৌলূপ) না চহী খুদিংগী পীবা গোপাল শর্ম্মা এৱার্দ ২০২০ গী ওইনা মণিপুরগী মমিং লৈরবী অইবী অরাম্বম ওংবী মেমচৌবীদা পীরগনি হায়না সাহিত্য থৌপাং লূপকী সেক্রেটরী এম উত্তমকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## ইন্দিয়াদা মীওই ৫১৯ নারে

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ (এস এন এস) ঃ
মীয়াম্না মিপাইনরবা কোরোনাভাইরসনা ইন্দিয়াদা ঙসি নুমিদাং পুং ১০ ফাওবগী মনুংদা মীওই ৫১৯ নারে অমসুং লায়না অসিনা মীওই ১০ গী পুন্সি মাঙখ্রে।

মালেমগী ওইনা লায়না অসিনা ঙসি নুমিদাংগী পুংফম অসিমক্তদা মীওই লাক্ষ ৪ হেন্না নারে। মসিগী মনুংদা মীওই ১৭,৪৮০ শিখ্রে অমসুং মীওই লাক্ষ ১.০৩ না নাবা ফদুনা ময়ূম ময়ূমদা হনখ্রে।

# মপানদগী পুশিল্লকপা চিঙ্গাক চাবনা কোরোনাভাইরস নাহন্দেঃ হেল্থ দাইরেক্টর

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ (এস এন এস) ঃ
কোরোনাভাইরসনা শোকহল্লবা লৈবাকশিংদগী পুশিল্লকপা চিঙ্গাক চারুবা মীওইশিংদা কোরোনাভাইরস নাহন্দে হায়না হেল্থ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তরসু ওইরিবা এদিস্নেল ফুদ সেফটি কম্মিস্নার ডা কে রাজেনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কোরোনাভাইরস অসি মরু ওইনা মীওইবগী নিংশা হোন্দোক- হোঞ্জিন তৌবদা শোকহনবা, হাকথি খনবদা, লোক খুবা, কোরোনাভাইরস পল্লবা খূৎ-শা অমদি পোৎ- চৈ শোক্ল-শন্নরুবা মী অমদগী অমদা শনে দাকহনবনি। নীংথিনা থোংদোক্লবা ফার্মদা য়োকপা শাশিংগী মশা অমদি মরুম, চাননবা য়েন অমদি ঙানুনচিংবা চাবদা অকায়বা লৈতে।

মীয়াম্না অতেকপা শা নৎত্রগা নীংথিনা থোংদোক্ত্রিবা শা চাবিগনু। উন্দা লিদুনা থম্বা চিঙ্গাক মখল খুদিংমক নীংথিনা থোংদোক্লবা মতুংদা চাবিয়ু। অতেকপা উহৈ-ৱাহৈ, মনা-মশিং চাদ্রিঙৈদা নীংথিনা লু-নান্না চামথোক্তুনা লায়না-তিন্না চঙলোইদবা মওংদা থম্বীদুনা চাবগী কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎপিয়ু হায়না চেরোল অসিনসু মখা তারি।

# কোভিদ-১৯গী য়েংলগা কৈশুমশঙদগী থাদোকখিনবা সুপ্রিম কোর্টনা ষ্টেটশিংদা খঙহনখ্রে

ন্যু দেল্লি, মার্চ ২৪ (এজেন্সি) ঃ
হৌজিক পাকশন্না শন্দোক্লক্লিবা কোরোনাভাইরসকী লায়চৎ অসিগী য়েংলগা কৈশুম শঙদা ফাদোক কা হেন্না চিনবা কোকহন্নবগীদমক্ত চহী ৭ ফাওবগী মিয়াদ পীবা ফাদোক অমদি ৱায়েন চৎনরিবশিংবু পেরোল নৎত্রগা ইন্টরিম বেলদা কৈশুম শঙদগী থাদোকখিনবগীদমক হায় লেভেল কম্মিটি শেমদুনা খন্ননবা সুপ্রিম কোর্টনা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা খঙহনখ্রে কৈশুম শঙদা ফাদোক য়াম্না কুঙনা লৈবা মরু ওইনা হৌজিক ওইরিবা কোরোনাভাইরসকী লায়চৎ অসিদা কৈশুম শঙগী ফীভমশিং অসি সুপ্রিম কোর্টনা য়াম্না লুম্না লৌরি।

ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২১ গী প্রোভিসন মখাদা কৈশুম শঙ মনুংদা কোরোনাভাইরস অসি শনে দাকহনবা শুকয়া য়াদে হায়না সুপ্রিম কোর্টনা লৌরি।

চীফ মিনিষ্টর এস এ বোবদে, জষ্টিস এল এন রাও অমদি সূর্ভ্য কান্তনা শাবা বেঞ্চ অমনা হায়, ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংনা চহী তরেৎ ফাওবগী মনুংদা মীয়াৎ তারবা ফাদোকশিং অমদি ৱায়েন চৎথরিবা ফাদোকশিং থাদোক্লবা থৌরাং লৌখৎকন্দবনি। ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী লিগেল সার্ভিসেস কম্মিটিগী চীয়ারমেন, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী (হোম /প্রিজম) অমদি দাইরেক্টর জেনরেল ওফ প্রিজননা শাবা কম্মিটি অমনা করম্বা ক্লাসকী ফাদোকশিং থাদোকপা য়াবগে হায়বদু খন্নগদবনি। হায় পৱার কম্মিটি অসিনা করম্বা ফাদোক্লা মখোয়দা পীরিবা চৈরাক অদুগী অরুবা লুদবা য়েংলগা ফাদোকশিং থাদোকপগী মতাংদা ৱারেপ লৌজগদবনি কোর্ট অসিনা লিংগদবা অন্দর ত্রায়েল রিভিয়্যু কম্মিটি অমনা চয়োল খুদিংগী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগা তান্নরগা অসিগুম্বা ৱারেপ লৌগদবনি।

জেলগী মপান্দা লায়না অসি লৌনরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা ৱায়েল চৎথরিবা ফাদোকশিংবু কোর্টতা মশা পুথোকপগী থবক লেপকন্দবনি। মসিগী মহুৎতা ভিদিও কনফরেন্সিংনচিংবা অতৈ ওইথোকপা য়াবা পাম্বৈশিং শীজিন্নগদবনি হায়না বেঞ্চ অদুনা ফোঙদোকখি।

ইন্টরনেস্নেল ফেদ্দরেসন ওফ রেড ক্রোস এন্দ রেড ক্রিসেন্ট, ইন্টরনেস্নেল ওর্গনাইজেসন ওফ মাইগ্রেসন, য়ুনাইটেদ নেসন্স হায় কম্মিসন ফোর রিফ্যুজি অমদি ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা হেনগৎলকপদা শেম্বা রেডিনেস এন্দ রেসপোন্স ওপরেসন ইন কেম্পস এন্দ কেম্প লাইক সেটিং ইন্টরিম গাইদলাইন্স অদু ফীভম অসিদা খন্নবা য়াই হায়না বেঞ্চ অদুনা ফোঙদোক্লি।

## হায়কোর্টকী রিক্রুইটমেন্ট পূন্নমক য়েথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ (এস এন এস) ঃ
হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনা পাঙথোক্কদৌবা রিক্রুইটমেন্ট প্রোসেস পূন্নমক মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা য়েথোকখ্রে।

হায়কোর্ট অসিগী রেজিষ্টার জেনরেল এ গুনেশ্বর শর্ম্মনা থোকপা নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না মার্চ ২৮ অমদি ২৯ দা পাঙথোক্কনি হায়দুনা তৌরম্বা মণিপুর জুদিসিয়েল সার্ভিস গ্রেদ ৱান অদুগা এপ্রিল ১ অমদি ২ দা পাঙথোক্কনি হায়দুনা তৌরম্বা মণিপুর জুদিসিয়েল সার্ভিস গ্রেদ থ্রিগী ইন্টর্ভিয়্যুসু মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা য়েথোক্লে হায়রি।

## প্রসিদেন্টনা শজিবু...

*লমায় ১গী মখা...* শরুক অমা ওইরিবনি। কুম্মৈশিং অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী মরক্তা নুংশিবগী মরী হেন্না চেৎশিনহনবা ওইরসনু। লোয়ননা কুম্মৈ পাঙথোকপদসু মীওই অমগা অমগা নকশিন্নদবা অমদি কোভিদ-১৯ দগী ঙাকথোক্লবা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিং ঙাক্না চৎমিন্নদুনা মালেম শিনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ অসি মীয়াম্না অখাঙ কনবা অমগা লোয়ননা থেংনমিন্নসি হায়রি।

শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবগী থৌরম লাকপদা মণিপুরগী গভর্ণর ডা নজমা হেপ্তুল্লা, চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ, ৱার্ক্স মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎনচিংবা কয়ানসু মণিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মখোয়গী য়াইফ পাউজেলগী চেরোলশিং অসিনা মণিপুরদা ইং তপ্পা, নুংঙাই-য়াইফনা পানবা অমসুং ঐখোয় মশেল নুংশি-চান্নবা লৈমিন্নসি হায়রি।

# রিমসকী জেনরেল ও পি দি য়াওনা কোভিদ-১৯ থেংননবগী মতাংদা ওর্দর অমা থোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ (এস এন এস) ঃ
রিমস হোস্পিটালগী জেনরেল ও পি দি থিংবা য়াওনা কোভিদ-১৯ থেংননবগী মতাংদা রিজনেল ইন্ষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) হোস্পিটালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসার সিঐচ অরুনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন থেংননবা অমদি আইসোলেসন ৱার্দ হেনগৎনবগী মতাংদা ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা রিমসকী দাইরেক্তরনা চিয়ার লৌদুনা খুদক্তা পাঙথোকখি। মীটিং অদুদা লৌখিবা ৱারেপশিং অদুদা সাইক্রিয়াটিক ৱার্দ, ক্লিনিকেল সাইকোলোজি, মেথাদোন ট্রিটমেন্ট থিংজিনবা। কোভিট-১৯ গা মরী লৈনবা কেস লাকপদা শিজিন্নবা সাইক্রিয়েটিক দিপার্টমেন্ট অসি হৌজিক রিমসকী দেন্টেল কোলেজ ওইরিবা মফম অসিদা হাংলগনি। জেনরেল ও পি দি থিংজিনবা, ইমার্জেন্সি কেস, এনতি নাতেল কেস অমসুং কেন্সর কেসকা মরী লৈনবশিং কেজুয়েলটিদা লায়েং চত্থহনবা। হোস্পিটাল অসিগী প্রাইভেট ৱার্দ অমদি গেষ্ট হাউসশিং ক্বারেন্টিন ষ্টাফ অমদি মহৈরোইশিংগী রিজার্ব তৌদুনা থম্বা। কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা মথৌ তৌরিবশিংগী চাক ঈশিং খুদিংমক হোস্পিটালগী কিচনদগী পীবা। লোয়ননা সপ্লাই তৌরিবশিংসু মতম মতমগা চান্নবা খূৎশুমন পীবা। আই সি য়ু দা এদমিসন তৌবদা অখন্নবা রেষ্ট্রিক্সন অমদি হোস্পিটাল অসিনা কোভিদ-১৯ নিংথিনা থেংনবা ঙম্লবা মতমগী মতুং ইন্না অতোপ্পা হোস্পিটালদগী রিফর তৌরকপা অনাবা অমত্তা লৌদবা। মীয়ামগী য়েংলগা খুদক্তগী ওর্দরশিং অসি মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা চৎনগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

# কোভিদ-১৯: মণিপুরগী মফম পূন্নমক্তা কর্ফ্যু ...

*লমায় ১গী মখা...* ইরম-খোঙলমনচিংনবা মফমশিংদা ফিনাইল অমদি শুনুনচিংবগী চাইথোকপগী থবকশু চত্থনখি। অতোপ্পা মীওইশিং চংলক্তনবগী ৱাখল্লোন্দা লৈকাই লৈকাইগী লম্বী চংফমদা উ-ৱা ফৈজিন্দুনা অমদি ফক্লোং খাজিন্দুনা চথোক চৎশিন তৌবা থিংখি। মদুনা মরম ওইরগা এশেন্সিয়েলগী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা চথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহনখি। তোঙান তোঙানবা য়ূম খরদদি গেৎ অমদি থোঙ্গালদা মী চংবিরক্তনু, হায়নিংবা লৈরবসু ফোনগী খুথাং ৱারী শান্নশি হায়না চেদা ইরগা থেৎপগী ফোটোশিং সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎনরকখি।

নীংশিংবা য়াবদি, মালেমগী ওইনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ ১৯(কোরোনা) লায়না অসি শন্দোরকপা থিংনবা মণিপুর গভর্ণমেন্ট লৌখৎপা খোঙথাং অমা ওইনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হৌখিবা থা অসিগী ২১দগী মণিপুর মফম পুম্বদা মীওই ৫ নৎত্রগা মসিদগী হেন্না পুনবা য়াদবা সি আর পি সিগী সেক্সন ১৪৪ থমখি। মদুগী মতুং খরা হেন্না কনশিনবা খোঙথাং ওইনা মণিপুর পুম্বদা লোক দাউন লাওথোখ্রবা মতুং লায়না অসি নাবা মীওই অমা লৈরে হায়বা কনফার্ম তৌখিবদগী হেন্না কনশিনবা খোঙথাং ওইনা মীওই অমত্তা মপান থোকপা য়াদবা কর্ফ্যু অসি ঙসি অয়ুক্তগী থল্লকখিবনি।

# কোভিদ-১৯: রাজ্য সভাগী মীখল ...

*লমায় ১গী মখা...* কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবগা মরী লৈননা টোটেল লোকদাউন লাওথোকখ্রে।

হিরম অসি কম্মিসননা কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা লৈরিবা পব্লিক হেল্থ ইমর্জেন্সি অসি য়েংলগা মীয়াম পুনবা হন্থহন্নবা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমা ওইনা মীখল অসি পাঙথোকপা মতমদা পোলিং ওফিসিয়েলশিং, পোলিটিকেল পার্টিশিংগী এজেন্টশিং সপ্পোর্ট ওফিসিয়েলশিং অমদি এসেমব্লিগী মেম্বরশিং নুমিৎ অদুদা পুনগদৌরিবনি। ফিভম অসিমক লৈঙাক্না পীরিবা এদভাইজরিশিং অসিগা চুশিন্নবা ৱাৎকনি।

মরম অসিনা দি রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপলস এক্ট,১৯৫১গী সেক্সন ১৫৩ শুবগী মতুংইন্না ইলেক্সন কম্মিসননা ইলেক্সন প্রোসেস লোইশিনবগী মতম অসি শাংদোকপা ঙম্বনা কম্মিসন অসিনা এক্ট অসিগী সেক্সন ১৫৩ শুবগী মখাদা মীখলগী থবক থৌরম খুদিংমক য়েথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি।

মরী লৈনবা আর ওশিংনা থোকখিবা মীরেপ ওইবা য়ারবশিংগী লিষ্ট অদু লেমহৌরিবা মীখলগী থবক থৌরমশিংগীদমক চৎনগনি। মখা তানা ভোট থাদগদবা অমদি ভোট মশীং থিগদবা নুমিৎশিং ফিভম অসি য়েংলবা মতুংদা লেপ্লক্কনি হায়না পল্লি।

অমরোমদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী এসিষ্টেন্ট রিটর্নিং ওফিসার রোহিট সাপমনা খূৎয়েক পীদুনা রাজ্য সভাগী মীখল অসি মখা তাবা মতম অমা লেপত্রিবা ফাওবা মতম কক্তনা য়েথোক্লে হায়না নোটিফিকেসন অমা থোকখ্রে।

# লায়ওং উৎতবা মীওইশিংনসু কোভিদ-১৯...

*লমায় ১গী মখা...*
য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাগী ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসনগী ফোর্মর হেদ স্কোট ভোটলিয়েবনা হায়, লায়না লায়ওং উত্তবা মীওইশিংনা লায়চৎ অসি শন্দোকপগী ৱাফম অসি নোংমা নোংমগী ময়েক শেংলক্লি। মসিনা লায়না অসিবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা হেন্না খুদোংচাদবা অমা ওইহল্লে হায়রি।

সাউথ চাইনা মোর্নিং পোষ্টতগী ফংবা পাউ অমগী মতুং ইন্না লায়না লায়ওং উত্তবা ভাইরস অসিনা শোকহল্লবা মীগী মশীং অসি মালেমদা কোভিদ-১৯ না শোকহল্লিবা অপূনবা মশীং অসিগী শরুক ৩ থোকপগী ১ রোম ওইরবা য়াই হায়রি। লোয়ননা চাইনা খক্তদা কোভিদ-১৯ গী লায়ওং অমত্তা ফংদবা মীওই লিশিং ৪৩ রোম ভাইরস অসি পোজিটিভ ওইবা থেংনরে হায়না চাইনা গভর্ণমেন্টকী অরোনবা দাটা অমগী মতুং ইন্না হায়রি।

আইলেন্দদসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা তঙ্খাই অমদি লায়ওং অমত্তা থেংনদবা মীওইশিংনা ওইরি। লোয়ননা হৌ-খিবা ফেব্রুৱারি থাদা কোভিদ-১৯ শন্দোরকখিবা দাইমন্দ প্রিন্সেস ক্রুইসশিপ হায়রিবা মীওই ৩,৭১১ রোম তোংবা অচৌবা হি অদুদগী মীওই খুদিংমক টেষ্ট তৌবদা মীওই ৭০০ রোম কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি। মখোয়গী মনুংদসু চাদ ১৮ দি লায়ওং অমত্তা উখোকখিদে হায়রি।

কোভিদ-১৯ গী হৌরকফম ওইরিবা ৱুহানদগী থোক্লকখিবা জপানিজ ৫৬৫ ত টেষ্ট তৌদুনা য়েংবদা মীওই ১৩ দা লায়চৎ অসিনা নাবা থেংনখি লোয়ননা মখোয় মনুংদসু মীওই ৪ অমদি লায়ওং অমত্ত উখোক্তবা থেংনখি।

মরম অসিনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা লায়না অসিবু লায়না লৌবগী মহুত্তা হেন্না কন্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা মীয়াম পূনবা থিংদুনা মীপূম খুদিংমকপু ময়ূম ময়ূমদগী থোকহন্দনবা হোৎনবিয়ু হায়না লায়না অসিগী মরমদা থিজিল্লিবা রিষার্চরশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

## আইসোলেসন ...

*লমায় ১গী মখা...* ফোটোগ্রাফ লৌবা, ভিদিওগ্রাফ লৌবা, রেকোর্দিং লৌবা, হেল্থ কেয়ার ৱার্করশিং, পেসেন্ট অমদি মখোয়গী মীওইশিংগী ইন্টরভিয়্যুনচিংবা লৌবা খুদক্তগী থিংলে।

জেনিমস হোস্পিটালদা পায়-খৎলিবা কোভিদ-১৯গী কন্ট্রোল অমদি মেনেজমেন্টকী থবক অসিগা মরী লৈননা প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াদা অনওঠোরাইজ ওইবা ৱাফমশিং ফোঙদোকপা নৎত্রগা অপদেট তৌবা মতমদা জেনিমস ওঠোরিতিনা তেকচাক পুরোই হায়না চেরোল অদুনা পল্লি।

# মণিপুরদা নুপীমচা ১ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ...

*লমায় ১গী মখা...* য়াওনা মপান লমদা চৎলুবদগী ক্বারেন্টিন তৌদবা য়াদবা মীওই ১২ য়ুনাক্কো স্কুল মৈত্রমদা থল্লি হায়খি।

নুপীমচা অসি হৌখিবা এপ্রিল ২১দা এয়ার এসিয়াগী ফ্লাইটতা ইম্ফালদা থুংলখিবা অদুদা পুন্না তোংমিন্নরকখিবা মীওইশিং লৈঙাক্না মশক খঙদোকপগা লোয়ননা মখোয়বু নুমিৎ ১৪ নি ক্বারেন্টিন তৌনবগী থবক পায়খৎলগনি। লোয়ননা নুপীমচা অসিগী ইমুংগী মীওই ৬ হৌজিক লৈঙাক্না হাংদোকপা ক্বারেন্টিন সেন্টর অমদা থমদুনা ক্বারেন্টিন তৌবা হৌখ্রে হায়খি।

মহাক্না হায়, ক্বারেন্টিন তৌরিবা মীওইশিং করিগুম্বা নুমিৎ ১৪ অসিদা করিগুম্বা অমত্তা তৌরক্তবা তারবদি মখোয় ভাইরস অসিদগী সেফ ওইরে হায়না লৌবা য়ারে হায়খি।

মহাক্না হায়, ষ্টেট লৈঙাক্না ভাইরস অসি ষ্টেট অসিদা চঙলক্তনবা অমদি মপুং ফানা থেংনবা ঙম্নবগীদমক ষ্টেট অসিদা চঙলক্লবা লম্বীশিং থিংজিনবগা লোয়ননা কর্ফ্যু লাওথোকখিবনি। হয়েংদগী দোমেষ্টিক ফ্লাইটশিং থিংজিনবগী থবক তৌরিবনি। লায়চৎ অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসতা ঙরাংদগী সেন্ট্রেল কন্ট্রোল রুম অমা হাংদোক্তুনা মথৌ তৌবা হৌহনখ্রবনি। মসিগী টেলিফোন নম্বরনা ১৮০০৩৪৫৩৮১৮ নি।

ষ্টেট অসিদা হেন্দ সেনিতাইজর, মাস্ক অমদি পি পি ইগী অৱাৎপা লৈ। মসি লৈবাক অসিগী ওইনা অৱাৎপা লৈবননি। অদুবু তঙাইফদবা পোৎলমশিং অসি লৌনবা লৈঙাক্লা ওর্দর পীখ্রে। মদু হেক থুংলবগা ষ্টেট অসিদা পুশিনলক্লবা শেম শাদুনা লৈরি।

লায়চৎ অসি থেংননবগীদমক মিনিষ্টরশিংগী থা অমগী সেলরি কখোক্লবা ৱারেপ লৌরে। হৌজিক ভেন্টিলেটর অসি হৌজিক জেনিমসতা ফমুং ৫-৬, রিমসতা ফমুং ৪ লৈরে। মসিগী মথক্তা লৈঙাক্লা অহেনবা ভেন্টিলেটর লৈনবা বুক তৌখ্রে। লোয়ননা পোর্টেবল ভেন্টিলেটর য়াওনা লৈনবা হোৎনরি। মসিদা নক্তনা রিমোর্ট এরিয়াদা খুদক খুদক্তা টেষ্ট তৌনবা মেদিকেল কিট চেন্নবা হোৎনরি।

হৌজিক আই সি এম আরনা এপ্রুভ তৌবা হিদাক লৈরবনি। হায়দ্রোক্সিক্লোরোক্বিন টেবলেট অসি নুমিৎ ১৪ নি পীজবা মতুংদা ফগৎলক্লবা হোৎনরি। মসিগা টেব্লেট অসি মশীং য়াম্না লৈশিন্নবা লৈঙাক্লা হোৎনরিবনি হায়খি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, ভাইরস অসি হন্থহনবা হায়বসিদা মীয়াম পুনবা হন্থহনবা, মীগী মীগা নকশিন্নদবা, য়ূমদগী মপান থোক্তনা লৈবা অসি মরু ওই।

লায়না অসি কনাগুম্বা মীওই নৎত্রগা ফুরুপ অমগী মায়োক্তা নত্তে মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তনি। মসি খঙ্না থম্মোয় শেঙ্না পুন্না থেংনমিন্নবা চঙই। ইশানা মপান্দগী লাকপা ওইরবদি ট্রেভেল হিষ্টরি লোৎশিনবগী মহুত্ত মদু হায়দোকপীদুনা হেন্না শাফবা ফিভম অমা লাকহন্নবা হোৎনবা চুম্মী হায়খি।

লায়না অসিনা নারকপা মতমদা মীওইবগী পূক্নিং ৱাখলদা শোক্থরকপা য়াবা লৈবনা মেন্টেল হেল্থ পার্সোনেলশিংনা মখোয়বু নিংথিনা কাউন্সেলিং তৌবিবা তাই হায়খি।

## অশাবা লমদসু ...

*লমায় ১গী মখা...* হেক চঙখ্রবা মতুংদা মীওই অদু নুমিৎ নীনিদগীনা ১৪ নি ফাওবগী মনুংদা হকচাং শাগৎপা, লোক খুবনচিংবা লায়ওং কয়া উৎলক্লবা মতমদা থরমেল স্কেন্নরনা মীওই অদুবু নারে হায়বা খঙবা ঙম্মী। অদুবু লায়ওং অমত্তা উখোরক্ত্রিঙৈ মতমদদি ভাইরস অসি মীওই অমদা য়াওদুনা অতোপ্পা মীওইশিংদা শন্দোক্লবসু থরমেল স্কেন্নরনা ভাইরস অদুবু দিটেক্ট তৌবা ঙমদে।

হৌজিক ফাওবগী ওইনসু লায়চৎ অসিবু ফহনবা ঙম্বা চপ চাবা হিদাক অমত্তা পুথোকপা লৈত্রি। লোয়ননা কোভিদ-১৯ হায়রিবা লায়চৎ অসি ভাইরসনা থোকহনবা মরন্না এন্টিবাইওটিক চাবনসু ফহনবা ঙমদে। মরমদি এন্টিবাইওটিকশিং অসিদি বেক্তরিয়াদগী ঙাকথোক্লবা শারকপনি।

হায়রিবা ভাইরস মখল অসি মীপূম খুদিংমক্তা চঙদুনা কোভিদ-১৯ নাহনবা য়াই। অদুবু মশাগী ইমুন সিষ্টেম শোন্থরক্লবা অহলশিংদা অমদি হান্নদগী অস্থমা, দাইবেটিজনচিংবা অতোপ্পা লায়না লৈবা মীওইদনা হেন্না খুদোং থিনিঙাই ওই।

# পি এমনা ইন্দিয়া পূম্বদা নুমিৎ ২১ লোকদাউন...

*লমায় ১গী মখা...* খক্তদা অতোপ্পা মীওই লাক্ষ ১দা শোকহনলি। লাক্ষ অনীদগী অহুম য়ৌবদা নুমিৎ ৪ নি রোমতমক চংলিবনি। লায়চৎ অসি কয়া য়াঙনা শন্দোকপগে হায়বদু ঐখোয় ৱাখল তাসি হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়, কোরোনাভাইরসগী ট্রিটমেন্টকীদমক সেন্টরনা লুপা ক্রোর লিশিং ১৫ কায়থোক্তুনা থম্লে। কোরোনা হায়বদি কনাগুম্বা অমত্তনা লম্বীদা চৎকনু হায়বনি।

লোকদাউন অসিগীদমক লৈঙাক্লা মদুগী মমল পীবা তই অদুবু মসি মীয়ামগী শাফনবগীদমক মরু ওই হায়খি।

ইরান, চাইনা, স্পেন, ইটালি, জর্মন, ফ্রান্স, য়ু এসনচিংবা লৈবাকশিংনা ভাইরস অসি লাকশিন্নবা হোৎনরি। ইটালি নৎত্রগা য়ু এস ওইরবসু মখোয়গীদি হেল্থ কেয়ার সিষ্টেম খ্বাইদগী ফরিবনি। অদু ফাওবদা ভাইরস অসিগী শাফু অসি লাকশিনবা ঙমদনা লৈরিবনি।

অদুবু লৈবাক খরনা মসি শরুক খরদং ওইরবসু লাকশিনবা ঙম্বগী খোঙথাং অসিনা অনৌবা মঙলান অমদি পীরি। হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না য়ূম য়ূমদা লৈরক্লি অমদি লৈঙাক্লা পীবা পরমশিং ঙাক্না চৎলি।

ভাইরস অসি শন্দোরকপগী চেইন অসি থুগায়নবগীদমক নুমিৎ ২১নিগী লোকদাউন অসি তঙাইফদবা মরুওইরিবনি। নুমিৎ ২১ নি অসি ঐখোয়না হৈ শিংনা লাম্থোকপা ঙমদবা তারবদি লৈবাক অসিনা চহী ২১ নিং হন্নগদৌরিবনি। ইমুং খরদি মতম চুপ্পগী ওইনা মাঙখিগদৌরিবনি হায়খি।

ঙসিগী লোকদাউনগী ফিরেপ অসি নহাক্কী য়ূমগী থোংজিন্দা লক্ষ্মন রেখা চিংলিবনি। মদুগী খোঙ থাংদোক্লবা মতমদা কোরোনা ভাইরসনা নহাক্কী য়ূমদা চংলক্কদৌরিবনি।

করিগুম্বা মতমদা তোকঙানা মখোঙ পান্দুনা য়াঙনা চৎলক্লি। তোকঙা অমদি অপঙ থাজদা ঐখোয় পঙথগুমসি। সেন্টর, ষ্টেট অমদি মেদিকেল ফেটর্নিটিগী ৱা তাসি। লাইওং উৎলকপা মতমদা দোক্টরগী প্রেসক্রিপসন য়াওদনা হিদাক চাগনু।

মেদিয়াশিংনা মখোয়গী পুন্সিবু রিস্ক লৌরগা ২৪X৭ কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌরিবশিংগীদমক খনবীয়ু। পুলিসনা নহাক অমদি নহাক্কী ইমুং মনুংবু ঙাক শেন্নবা মথৌ পাঙথোক্লি। নখোয়গী পুন্সি কন্নবগীদমক পুন্সিদা খুদোংথিবা কয়াগা লোয়ননা মথৌ পাঙথোক্লিবা নর্সশিং, দাক্টরশিং, পেরামেদিকশিং পেঠোলোজিষ্টশিং অহিং নুংথিল নাইদনা থাৱায়শিং অদুবু কন্নবগীদমক থবক তৌরিবশিংগীদমক খনবীয়ু। ভাইরস অসি মপুং ফানা মুত্থৎনবগীদমক নখোয়গী অকোয়বদা সেনিতাইজ তৌনবা থবক তৌরিবশিং গীদমক মপুদা খুরুম্বীয়ু হায়খি।

ইন্দিয়া মচা পূন্নমক্না জনতা কর্ফ্যু মপুং ফানা পাঙথোক্তুনা অঙাং, অহল ওইরবশিং, অচৌ মচা, লায়র ইনাক-খুনবা খায়দনা পুন্না থেংনসি হায়খি। লৈবাক অসিদা অমদি মীওইবা খুন্নাইদা ৱাথোক লাম্থোক থোকপা মতমদা ঐখোয় পুন্না থেংনৈ হায়বা উৎখিগনি।

কোরোনা ভাইরস থেংননবগীদমক ঐখোয় মশেল লাপথোক্লনা লৈবা অসিনা অমত্ত ঙায়রবা পাম্বৈ ওইরিবনি। ঐখোয়না লায়চৎ অসিগী মরমদা পাউ তারি অদুবু মতিক ময়াই লৈরবা লৈবাক কয়ানা লায়চৎ অসি থেংননবা হোৎনবদা উপায় লৈতবা ফিভম মায়োক্লরিবনি হায়না পল্লিবনি।